পোৎ পুবা ট্রকশিংনা মক্রু অমদি বরাক থোং লান্নবগীদমক ক্যু লেপ্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি হৌজিক ফীভম য়াম্না শোক্লে। নেসনল হায়ৱেনি হায়রগা কোয়লাস মশক উদবা উফুল হৌবা, কোয়লাস ফক্কায়খিবদগী কুৎলগা লৈহৌবা পোটহোলশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা শেমজিনবীদবদগী গাড়ী অচৌবা অমা হেক চৎখিবদা মনিংদা লৈহৌবদি উফুলনা লৈচিল থাবদগী হেল্লি।

হৌজিক ফীভম য়াম্না শোক্লিবা মফমশিংদি তুপুল অমদি নোনেগী মরক্তা কোয়ালাস মশক উদবা মফম অনী/অহুম লৈরি। নোনে অমদি অৱাং খুনগী মরক্তসু কোয়লাস মশক উদবা ফীভম শোক্লবা মফম অহুম/মরি হেন্না লৈরি। অৱাং খুন অমদি ইরং থোং ফাওবগী মরক্তসু লম্বীগী ফীভম ফত্তবা কোয়লাস মশক উদবা মফম মরি/মঙারোম লৈরি। ইরং অমদি খোংশাংগী মরক্তসু লম্বী ফত্তবা কোয়লাস মশক উদবা মফম মরি/মঙারোম লৈরি। খোংশাংদগী নুংবা ফাওবগী মরক্কী লম্বী অসি পোটহোল ময়াম লৈবা কোয়লাস মশক উদবা মফম কয়া লৈবগা লোয়ননা নোংজু থাগী মতমদা চীং নীংখায়খিবদগী ঙসি ফাওবদা লম্বীগী নাকলদা পৈরগা লৈবা চীং লৈবাক লৌথোকপীদনা থম্বদগী গাড়ীশিং থৈরগা চৎনরি। লম্বী অসি মপু পাদবগুম ফীভম শোক্লগা ফত্তবা মফমশিং অদু গাড়ী ড্রাইভরশিংনা য়াম্না ৱানা তপ্না থৌরগা নাম্থোক্তুনা চৎনরি।

নুংবাদগী বরাক ফাওবগী লম্বীগী শরুক অসিদসু ফীভম ফত্তবা য়াম্না লৈরি। নুংবা কৈথেলদগী কিলোমিটর ৩/৪ চৎলগা লৈবা লম্বীগী শরুক খরদদি চীংগী মরুম ওইনা তৌবা নুংশাগী মঙাল নীংথিজনা ফংদবনা অকুৎপা মফম অদু নুঙজাও থারগা শেমজিন্দনা মফম অদু লান্দুনা চৎনরি। মফম অদুদা অকংবা চীং লৈবাক গাড়ী ২/৩ হৈজিল্লগা লেভেল্লিং তৌরগা গাড়ী থৌরগা চৎলবদি য়াম্না নুংঙাইগনি হায়না গাড়ী ড্রাইভর অমনা ফোঙদোরকখি। নুংবা অমদি বরাক্কী মরক্তসু কোয়লাস মশক উদবা ফীভম ফত্তবা মফম ৪/৫ রোম হেন্না লৈহৌরি। লম্বীগী ফীভম ফত্তবনা লমখাংদা গাড়ীগী ক্রাউন ফারগা, গাড়ীগী মেন স্প্রিং তেকপা অমদি পঞ্চর ওইবদগী গাড়ী য়াদদুনা লম্বী নাকলদা গাড়ী ৫/৬ চৎপা য়াদদুনা লৈহৌরি। বরাক থোং অমদি মক্রু থোং ফাওবগী মরক অসিদা ফীভম ফত্তবা মফম ৫/৬ হেন্না লৈহৌরি।

ট্রক ড্রাইভর অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ অসি লম্বী ফত্তবদা নত্তনা বরাক অমদি মক্রু থোং ক্যুদা লান্নবা হোৎনবদা মিনিট ৪৫/৫০ ফাওবদি চঙলে। লৈরিবা থোং অসি সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমগী থোং ওইবনা পোৎ পুরগা লান্থোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওই হায়রি। থোং অনী অসি তঙাইফদনা লান্থোক্লবা হোৎনবদা পুং ১.৪০ রোমদি চঙই। মসিদা নত্তনা গাড়ী ময়াম অদু থৈরগা চৎনবা হোৎনবদা ইম্ফালদা নুমীৎ তাদ্রিঙৈদা থুংলম্বা অদু হৌজিক্তি জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না অযুক্তগী লাকপদা নুমীদাংগী পুং ৯ হেল্লবা মতুংদা থুংনরে। লম্বী অসিদা গাড়ী ড্রাইভরশিংনা গাড়ী খোঙচৎ অমুক চৎলুরগা য়ুমদা হল্লকপদা ইশাসু য়াম্না অৱাবা ফীভম অমদা মায়োক্লে। লম্বী অসি শেম-শাবগী থৌদাং লৌরিবা নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)গী মীওইশিং উননবা হোৎনবদা অমত্তা লৈরম্বা থেংনখিদে।

বরাক থোং লান্নবা গাড়ী অচৌবা ময়াম ক্যুদা ঙাইনরগা লান্থোক্লবা হোৎনবদা লম্বী চৎপগী লীক্লম অদু অয়াম্বা নমথখিবদগী মফম অদুদা গাড়ী থৌবদা দোন দোন হায়দুনা চৎলি। নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈ মতম অসিদা হায়ৱে অসিগী ফীভম শোক্লবা লম্বী অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পোটহোলশিং অসি মেনশিন্দুনা রিপ্যারিং তৌবীরগদি ইম্ফালদগী জিরিবাম চৎপদা মতম য়াম্না চঙলিবসি খরদি হন্থরগনি। লম্বী ফত্তবদা গাড়ী থৌবদা শোকচিনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লম্বী অসিদা চৎপদা গাড়ী খরা মওং তাদ্রগদি অনানবা ফিরোলশিং উফুলনা শলাক শাবদি শোয়দ্রে হায়রি।

ওল জিরিবাম ৱিমেন্স এসোসিএসন্না পুথোকপা কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী মরু ওইনা নুপীশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা ওল জিরিবাম ৱিমেন্স এসোসিএসন (এ জে দব্লিয়ু এ) গী অনৌবা কুমজা ২০২১গী চহীগী কেলেন্দর মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খুৎশিন্নখ্রে।

কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম অসি ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী ফার্ম লমখায়দা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি। অচম্বা থৌরম অসিদা এসোসিএসন অসিগী লিগেল এদভাইজরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এ সুরেন্দ্রকুমার, এদভোকেটনা কেলেন্দর অসিবু হৌনবী মতুংইন্না ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অসিদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস মঙলেম্বী, ভাইস প্রসিদেন্ট চন্দ্রশখি অমসুং সেক্রেটরি প্রিয়ো য়াওনা লুপ অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ওল জিরিবাম ৱিমেন্স এসোসিএসনগী মকোক থোংবা থৌ পুবশিংনা ফোঙদোকখিবদা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিং পুন্না খুন্দামিন্নরক্লিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী য়ুমথোঙ খুদিংদা অনা-অয়েক য়াওদনা অনৌবা চহী লাকপদা নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ওইরসনু হায়দুনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী জিরিবামগী মীয়াম পুম্নমক লাপ্না লৈবা ওইরসনু হায়খি।

লোয়ননা অনৌবা চহীগী এসোসিএসন অসিগী কেলেন্দর ফোঙনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা এসোসিএসন অসিগী লিগেল এদভাইজর এ সুরেন্দ্রকুমার, এদভোকেটপুসু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌরম অসিগী মরু ওইবা মীথুংলেন ওইখিবা লিগেল এদভাইজর অসিনা অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা জিরিবামদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরক্লিবা নুংশি চান্নবগী লিপুন অদু হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু হায়বগা লোয়ননা ঈংনা তপ্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ত অমা ওইবগা লোয়ননা মীয়াম পুম্নমক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

মিনিষ্টর রাজেননা জোব সক্সেস প্রো লোঞ্চ তৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন/কাদা/ফিশরিজগী থৌরমশিং পুবা মিনিষ্টর সোরোকখাইবম রাজেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা এমপ্লোয়বিলিটি স্কিলসকী ওনলাইন কোর্স ‘জোব সক্সেস প্রো’ লোঞ্চ তৌগদৌরি।

থৌরম অসি হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো পার্কিংদা লৈবা টি আই বিল্ডিংগী অহুমশুবা ফ্লোরদা লৈবা ওভরসিজ পোইন্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

জোব সক্সেস প্রোগী ওনলাইন কোর্স হাংদোকপগী থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অমর য়ুম্নামনা ময়ায় তাংবল লৌবগা লোয়ননা স্কিলস ৱর্ল্ডগী গ্লোবেল এদভাইজর অমসুং গ্লোবেল সর্ভিস নেটৱর্ক টিমগী হান্নগী হেদ মেঘনাথ নোংমাইথেমনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেন ওইগনি হায়রি।

স্কিলস ৱর্ল্ড অমসুং ওভরসিজ পোইন্টনা শীন্দুনা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা ওনলাইন কোর্স অসিগী থৌরমগী মনুং চন্না ‘স্কিলস ৱর্ল্ড বাই ওভরসিজ পোইন্ট’ হায়বা থিমদা ওদিও-ভিজুএল প্রজেন্টেসন অমসু মীয়ামদা খুদোল তমগনি হায়রি।

অইবী থোইবীগী ১০১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): লমদম অসিগী শক্লাইরবী অইবী তখেল্লম্বম থোইবী দেবীগী ১০১শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ, জন্যুৱারী ১, ২০২১দা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌগনি হায়রি। থৌরমগী মপূং ওইবা শরুক্তা ডা. কোইজম শান্তিবলানা ‘সাহিত্য অমসুং থোইবী’ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙগনি অমসুং অরাম্বম মেমেনা ইবা ‘ৱামৈরক্তা য়েনিং’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমসু ফোঙগনি হায়রি।

অইবী অসিগী মপোক কুমওনগী থৌরম অসিদা সিলচরদা লৈবা অসাম য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী প্রোফেসর হাওবম ননিকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা বি টি রোদকী রুপমহল টেঙ্কতা লৈবা কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারিনা থৌরম মপু ওইগনি অমসুং মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদগী এম দি মসলে এলিয়জ মসলেউদ্দিন (৬৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি হৈদর আলিনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট পিটিসন অমা কম্মিসননা কমপ্লেন্ট কেস (নম্বর ১৯৮ ওফ ২০২০) ওইনা লৌখৎতুনা মসিগী প্রোসিদিংশিং চথরবা মতুংদা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদগী রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা ঙরাং লৌখৎখিবা কেস অসিগী প্রোসিদিংগী মতুংইন্না পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি, স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, দাইরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসন, নার্কোটিক এফেয়রস এন্দ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী এস পি অমসুং পুলিস ষ্টেসন অসিগী এদিসনেল এস পি ওইরম্বী থৌনাওজম বৃন্দাগী মায়কৈদগী পিটিসন অসিগা মরী লৈননা মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পিটিসন অসিনা চার্জ তৌরক্লিবা এলিগেসনশিং অসিগী মতাংদা চপ চাবা ইনক্বারি চথরোইদবগী মরমশিং কম্মিসন্দা পীরক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

লোয়ননা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ ওইরিবা এন এ বিগী এস পিনসু কেস এফ আই আর নম্বর ৬০ (৫) ২০১৮ লিলোং পি এস অন্দর সেক্সন ১৪৮/১৪৯/১৮৯/৩৫৩/৩৪ আই পি সী অমসুং এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী কেস এফ আই আর নম্বর ৩৭ (৫) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ২১ (সী), ২২ (সী), ২৫, ২৭-এ, ২৯ অমসুং ৬৮ এন দি এন্দ পি এস এক্টকী ষ্টেটস রিপোর্টশিং মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

কম্মিসনগী মায়কৈদগী ষ্টেটস রিপোর্ট কৌখিবা কেসশিংগী মনুংদা অকক্লবা এফ আই আর নম্বর অমসুং সেক্সনশিং পল্লক্তবা কাইমাইগী কেস অমসু য়াওই হায়রি।

কম্মিসননা ৱাফমশিং অসি রেসপোন্দেন্টশিং অসিদা খঙহনখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল/ওর্দরগীদমক পিটিসন অসি মথং থাগী ১৫দা অমুক হন্না ফিক্স তৌনবা দিরেক্সনসু পীখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম দি মসলে এলিয়জ মসলেউদ্দিন্না পিটিস্নর ওইদুনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অসিগা মরী লৈননা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌর মঅমদা মহাক অমসুং মহাক্কী মচানুপানা করিগীদমক কম্মিসন্দা পিটিসন অসি ফাইল তৌরিবনো হায়বগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং ফোঙদোকখ্রবনি।

দব্লিয়ু বি সী সীগী মেম্বরশিংদা মকু শিন্নখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী সলুংফম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ফুরিৎশাবম মনিগী য়ুমদা কম্মন ব্রান ওল (মকু অমা চঙলকপদগী নিংথিনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা ফারবা মতুং ৱাইল্দ লাইফ এন্দ বাইওদাইভরসিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (দব্লিয়ু বি সী সী) মণিপুরগী মেম্বরশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

কম্মন ব্রান ওল হায়রিবা মকু অসি ঙসি অয়ুক ফুরিৎশাবম মনিনা দব্লিয়ু বি সী সী মণিপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন রোবি অমদি মেম্বরশিংদা খুৎশিন্নখিবনি। মকু অসিগী ফীভম শোকপা-শোক্তবা কুপ্না য়েংদুনা ত্রিটমেন্ট চথরবা মতুং দব্লিয়ু বি সী সী মণিপুরনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা শিন্নরবা মতুং শাফগদবা মফম অমা য়েংলগা থাদোকখ্রগনি হায়না দব্লিয়ু বি সী সী মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন রোবিনা ফোঙদোরক্লি।

জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌরবা য়ু জিনি হায়বা ১ ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): পুলিসকী মায়কৈদগী কে সী পি (এম জে সী) গী কাদরনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অমবু ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা তোঙান তোঙানবা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী কেস অনীগা মরী লৈননা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টতা পুথোরকখিবদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল অমসুং জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা তোঙান তোঙানবা কেস অনীগা মরী লৈননা কোর্টকী অয়াবা লৌরবা মতুংদা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা সিটি পুলিসকী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা কেস অনীগা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌদুনা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা ঙসিদগী হৌরদুনা মথং থাগী ১২ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ প্রেয়র তৌবীয়ু হায়দুনা পুথোরকখিবা য়ু জিনি হায়বা মীওই অদুগী মমিং লোংজম অর্জুন এলিয়জ নাওবী এলিয়জ ঈংবা (৩২) কৌই। ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শামুরৌ মখা লৈকায়দগী এল বুধিগী মচানি।

সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা জুদিসল কষ্টদিগী প্রেয়রশিং অদুদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। অদুম ওইনমক ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমা অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা জুলাই, ২০১৭তা লৌখৎপা কেস অমগা পুন্না অনৌবা কেস অহুমগা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবদা অয়াবা পীবিনবা কোর্টতা হায়জরকখি।

পুলিসকী প্রেয়র অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা য়ু জিনি হায়রিবা মীওই অসিবু ফোর্মেল এরেষ্ট তৌহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা কেসশিং অসিগীদমক মহাকপু মথং থাগী ৪ ফাওবা কেস অহুমসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসন অনীসিগী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

য়ু জিনি হায়দুনা বিহারদগী ফারকখিবা মীওই অমা অমুক হন্না ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মমাঙ তাগী ২৯দা বিহারগী জোগবানি পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা মফম অদুগী চনক্যা চোক্তগী ফাগৎখিবা য়ু জিনি হায়বা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমা ওইরিবা নাওরেম দিলিপ এলিয়জ মেক্স এলিয়জ ৱাঙম্বা (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন দোলেন্দ্রো, শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়বু ঙসি কোর্টতা পুথোরকখিবদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল অমসুং জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা তোঙান তোঙানবা কেস অনীগা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট অমুক হন্না তৌরবা মতুংদা কেস অনীসিগীদমক পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখিবদা মহাকপু অমুক হন্না ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখিবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী কেসশিং অদুগী এফ আই আর নম্বরশিংনা ৮৩ (৪) ২০১৬ অন্দর সেক্সন ৩০৭/৫০৬/৪২৭/৩৪ আই পি সী, ৩-এক্সপ্লোসিভস সবষ্টেন্সেস এক্ত অমসুং ১৬/২০ অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ত অমসুং এফ আই আর নম্বর ১৪৭ (৬) ২০১৬ অন্দর সেক্সন ৩০৭/৫০৬/৩৪ আই পি সী, ৪-এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ত অমসুং ১৬/২০ অনলোফুল এক্টিভিটিজ এক্টনি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা মখোয়না লৌখৎপা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মথং থাগী ৪ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রবা মীওই অসি কে সী পি (এম জে সী) গী দেপ্যুটি/এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌবনি হায়নসু চার্জ তৌরকখি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী অহানবা কেস অসিনা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ১০গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট মাইস্নাম অমুবগী থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকায়, লাংজিং উমংদা লৈবা য়ুমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখিবগা মরী লৈননা সুও মোটোদা লৌখৎখিবা কেসনি। অদুগা অনীশুবা কেস অসিনা নোর্থ এ ও সীগী সিটি হোস্পিটালগী কেম্পসতা কুমজা ২০১৬কী জুন ৮দা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্বদগী নুমিৎসিগী অয়ুক্তা লৌখৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈনবা কেসনি হায়রি।

মহাকপু অতোপ্পা মহাক্কা লোয়নবা মীওই অমগা লোয়ননা মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা মমাঙ থাগী ৩০দা বিহার পুলিসতগী অমুক হন্না ফারবা মতুংদা মফম অদুগী এদিসনেল চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্লগা ট্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌদুনা ইম্ফালদা পুরকখিবনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ঈ-ৱেষ্টশিং খোমজিল্লগা রি-সাইক্লিং তৌনবগীদমক করো সম্ভাবতা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা মহাক্কী দিষ্ট্রিক্ত অসিদা লৈবা লৈঙাক্কী ওফিসশিংদগী খোমজিল্লকপা ঈ-ৱেষ্টশিং রি-সাইক্লিং তৌনবগীদমক করো সম্ভাবতা খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ঙসি দিষ্ট্রিক্ত অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট হোলদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসি দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ঈ-ৱেষ্ট (মেনেজমেন্ট) রুলস, ২০১৬ মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহন্নবগীদমক থা অসিগী ২২দা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর - দি সী (ইম্ফাল ইষ্ট)/১৯/ফোরেষ্ট/২০১৯ অমসুং নেসনল গ্রীন ত্রাইব্যুনেল (এন জি টি) না সেপ্টেম্বর ২, ২০১৯দা পীখিবা ও এ নম্বর - ৫১২ ওফ ২০১৮গী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ত অসিদা ঈ-ৱেষ্ট (মেনেজমেন্ট) রুলসপু মোনিটরিং কমপ্লাইয়েন্স পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর (এ দি সী) সমিম অহম্মদ শাহ অমসুং দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ওফিসশিংগী হেদ ওফ ওফিসশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসি খুৎশিন্নখিবা ঈ-ৱেষ্টশিং অদুগী মনুংদা কম্প্যুটরগী পার্টশিং অমসুং ইলেক্ত্রোনিক আইটেমশিং য়াওখি। হায়রিবা ঈ-ৱেষ্টশিং অসি সব দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও), শওম্বুং, ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ত ইনফোর্মেসন ওফিসর (দি আই ও) গী ওফিস, শওম্বুং/ক্ষেত্রিগাওগী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর (বি দি ও) গী ওফিসশিং, ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরগী ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ত অসিগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর), মণিপুরগী দিরেক্টরগী ওফিসশিংদগী খোমজিল্লকপশিংনি হায়রি।

খোমজিল্লবা ঈ-ৱেষ্টশিং অদু করো সম্ভাবকী মণিপুর ষ্টেট কোঅর্দিনেটর ওইরিবা নৈলাঙম গাংমৈদা দিসপোজেল নৎত্রগা রিসাইক্লিং তৌনবগীদমক খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা ফোঙদোকখিবদা, দিসপোজেলগীদমক ঈ-ৱেষ্টশিং করো সম্ভাবতা খুৎশিন্নরিবা অসি এক্সটেন্দেদ প্রদ্যুসর রেসপোন্সিবিলিটিগী মখাদা করো সম্ভাবনা প্রদ্যুসর রেসপোন্সিবল ওর্গনাইজেসন অমা ওইবদগীনি। মরম অসিনা ঈ-ৱেষ্টশিং অসিবু পরম চুম্না কলেক্সন তৌবা অমসুং দিসপোজেল তৌবগী মথৌ তারি হায়খি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ঈ-ৱেষ্ট (মেনেজমেন্ট) রুলস ২০১৬কী গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না ওফিসশিংনা ঈ-ৱেষ্টশিং খোমজিন্দুনা করো সম্ভাবতা দিসপোজেল নৎত্রগা রি-সাইক্লিংগীদমক খুৎশিন্নবা অসিগীদমক মহাক্কী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ত লেভেল ওফিসর (দি এল ও) শিংবু পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা দি এল ওশিংনসু ঈ-ৱেষ্টকী মেনেজমেন্ট রুলস অসিগী গাইদলাইনশিং মখোয়গী ষ্টাফশিংদা খঙহন্নবগীদমক এৱেয়র্নেস দ্রাইভ পাঙথোকপগা লোয়ননা মখোয়গী লেভেলদা থবক্তা ওন্থোক্লবা পাউতাক পীখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা ঈ-ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলশিং অসিবু দিষ্ট্রিক্ত অসিগী খুল পুম্নমক্তা খঙহন্নবগীদমক এৱেয়র্নেস প্রোগ্রামশিং ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভ অমসুং মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগী খুৎথাংদা পাঙথোকপগী মথৌ তারি হায়খি।

মহাক্লা ঈ-ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলশিংগা মরী লৈনবা ওর্দর/বাই-লোশিং নীংথিজনা দি এল ওশিং জুরিসদিক্সনশিংদা কমপ্লাইয়েন্স পীনবগীদমক মোনিটর তৌগদবনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর সমিম অহম্মদ শাহনা থৌরম অসিদা শরুক য়ারখিবশিংনা প্রোগ্রাম অসিবু মপূং ফাহন্নবগীদমক পীরকখিবা কো-ওপরেসনগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অফবা থবক তৌবা মীওইশিং পূক্নিং থৌগৎকদবনি : লৈশেম্বা সনাজাওবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা অফবা থবক তৌবা মীওইশিং শীংথানবগী চাং ৱাৎলি, খুন্নাই অমা মপূং ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অফবা থবক থৌরমশিং তৌরিবা মীওইশিং পূক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

দলিট সহিত্য একাদমিনা শিন্দুনা একাদমি অসিগী ১১ শুবা চহীগী মীফমগা মরী লৈননা লৈশেম্বা সনাজাওবনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খিবদা কনাগুম্বা মীওই অমনা অফবা থবক অমা তৌরকপা মতমদা পূক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই। অফবা থবক তৌরিবশিংদা পূক্নিং থৌগৎপগী হৈনবী অমা লৈরক্লবা মতমদা চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি।

মীওইবনা হিংলিঙৈ মতমদা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা করিগুম্বা মশক থোকপা থবক অমা তৌরম্বা হায়বসি তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌগদৌরিবনি। মরম অদুনা অফবা থবক তৌবা মতমদা নিংহন্নরোইদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা হিরমদা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মনা ফংলকখ্রবশিংসু তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রোদা খোরিরোলগী অথোইবা মপারী ২০২০ অমদি নাউরেম তাংবীদা বেষ্ট নর্স ওফ দি য়র কোভিদ-১৯, ২০২০মিংথোল পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএনসিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা খোঙউপশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুংমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা লোনা য়াদবা খোঙউপশিং য়াওনা ম্যান্মারদগী ইম্ফাল তম্না পুশিল্লকখিবা পোৎলমশিং অসাম রাইফলসনা তেংনৌপালদগী ফারে। আই জি এ আরগী চেরোল অমগী মতুংইন্না গাড়ী অদুদা পুরক্লিবা পোৎলমশিং চেক তৌবদা তোঙান-তোঙানবা বেগ ১৭তা হাপ্লগা পুরকপনি। খাউ অদুদা খোঙউপ জুরা ৫৭০ রোম পুরকপনি হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পুন্না লুপা লাখ ৮ লোমগী পোৎনি। মখোয়দগী ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।